
# ইরানিয়ন ফিল্ম
# 'হ্বেয়র ইজ দি ফ্রেন্দস হোম'





একেন সিজগুরুময়ুম

ইরাননা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পৃথিবীদা মখোয়গী ফিল্ম কয়া পুথোক্তুনা চাংদম্নবগী শরুক য়াদুনা লাক্লি। ইরানগী ফিল্ম অসি য়াম্না আর্থ লৈবা ফিল্ম ঙাক্তনি। মখোয়না ফিল্ম অমা পুথোকপা মতমদা ষ্টোরি অদুনা পীরিবা কমান্দ অদু মপুং ফানা উৎথোক্লবা হোৎনৈ মসিদা কা হেন্না লাইট শিজিন্নদুনা নেচর লাইটতা ফিল্ম নম্বগী হৈনবী অমদি থল্লি।

ইরানগী 'হ্বেয়র ইজ দি ফ্রেন্দস হোম' হায়বা ফিল্ম অসি দিরেক্টর ওইরিবা অবাস কাইরোজতামিনা ইরানগী পোইট সোহরব সেপেহরিনা ইবা শৈরেং অমদগী মার্জি ঘাইজনা ট্রান্সলেট তৌদুনা হন্দোকপা অসিদগী দিরেক্টর মশামক্লা স্ক্রিন প্লে তৌদুনা পুথোকপা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিগী সিনেমাটোগ্রাফর ওইরিবা ফরহাট সাবানা দিরেক্টরনা পাম্লিবা অদুমক সুট তৌদুনা ফিল্ম অসিদা ফিট তৌখি।

ফিল্মগী ৱারি অসিদি স্কুল তম্লিবা ছাত্রশিংগী মরক্তা হোম ৱার্ক য়াম্না চাং নাইনা তৌদবা অঙাং অমগীদমক মহাক্কী ক্লাসমেট অমনা ৱাবীবা অদুনি। স্কুলদা নোংমা ওজানা হোর্ম ৱার্ক তোয়না তৌরক্তবা ছাত্র অদুদা নঙ হয়েং হোম ৱার্ক তৌরক্ত্রবদি স্কুল অসিদগী তাম্থোক্কনি হায়না খঙহনখি। স্কুল সুটি থারবা মতমদা মহাক্কী মরুপশিংগা লম্বীদা চেন্দুনা লাকপদা মখোয় অনীমক তুবদগী লাইরিকশিং অদু লৈমাইদা তাখি। মসিদা মখোয়না লাইরিকশিং অদু য়াম্না থুনা খুঞ্জিন্দুনা ময়ুম য়ৌনবা লাক্লখি। নুপামচা অসিনা ময়ুম য়ৌদুনা হোম ৱার্ক তৌনবা পুথোক্লকপা মতমদা শোয়বদগী মহাক্কী মমান্নবা ওজানা হোম ৱার্ক তৌদ্রবদি তাম্থোক্কনি হায়বা অদুগী নোটবুক অদু মহাক্কী লাইরিক খাও মনুংদা য়াওরম্মী। মদু উবদা মহাক্লা মহাক্কী মমাদা মমান্নবগী নোটবুক অসি পীরুগে হায়রমখি। মতম অদুদা মহাক্কী মমানা নঙগী তৌগদবা অদু তৌ, হয়েং স্কুলদা ওইনা পীরো হায়না থিংখি। মমান্নবা অদু হোম ৱার্ক তৌদ্রবদি স্কুলদগী তাম্থোকখ্রনি হায়না খঞ্জরিবা নুপামচা অদুনা মমা অমদি য়ুমগী অহল লমনশিংনা উদ্রিঙৈদা মমান্নবগী নোটবুক অদু মবুক্তা য়েপশিল্লগা মমান্নবগী ময়ুম য়ৌনবা চৎপা হৌরকখি।

মহাক্লা মফম কয়াদা চঙদুনা মহাক্কী মমান্নবা অদু থিখি। মহাক্লা শেংখিবা ফিরোলগী মান্নবা নুপামচা কয়া অমা থেংনখি অদুবু মহাক্কী মমান্নবা অদুদি ওইরমখিদে। নুমিদাং ওইরবা ফাওবদা মহাক্লা মহাক্কী মমান্নবগী ময়ুম থিবা ফংখিদে। মনাক নকপা অহলশিংগী মতেং লৌদুনা নুপামচা অসিনা মহাক্কী মমান্নবগী ময়ুম থিখি অদুবু ফংবা কৌবা লৈখিদে। থেংলবা মতমদা মহাক হল্লক্ত্রে হায়দুনা মহাক্কী মপানা মহাকপু থিরকখি। মখোয় অনী য়ুমদা লাকমিন্নখি। য়ুম চৎপগী লম্বী অদুদা মহাক্লা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদুগী মরমদা মহাক্কী মপাদা নীংথিনা ৱারি লিখি।

শাওরম্বা মপানা মচাগী ৱারি অদু তাবদগী চৈগদবগী মহুৎতা নঙগী নথৌ তৌরুরো হায়না থাদোকখি। নুপামচা অদুনা মহাক্কী হোম ৱার্ক তৌবা লোয়রবা মতুংদা মমান্নবা অদুগী হোম ৱার্ক অদুসু মহাক্লা শোয়দুনা পুরকখিবা নোটবুক অদুদা য়াম্না নীংথিনা তৌবিখি। নোং ঙাল্লগা স্কুল কাবদা মহাক্কী মমান্নবা অদু থেংনদুনা মাগী নোটবুক অদু হন্দোকখিবা অমদি ওজানা হোম ৱার্ক চেক তৌরবা মতুংদা হোম ৱার্ক তৌরম্বগীদমক থাগৎখিবা কয়া অসি উৎপা ফিল্ম অমনি।

ফিল্ম অসিদা দিরেক্টর ওইরিবা অবাসনা মহাক্লা থেংনরিবা অঙাংশিং অদুগা মহাক্কী মমান্নবা অদুনা শেৎখিবা খোংগ্রাও অদুগা মচু মান্নহনবতা নত্তুনা মখোয় অনী চেনবদা তুশিনবদা তৈখিবা লৈখোম অদুগা মান্ননা অতোপ্পা অঙাংশিং অদুনা শেৎলক্লিবা ফিজোল অদুগা চপ মান্নহনখি। মসিনা ফিল্ম অসিবু য়েংলিবা মীয়ামদা করম্বা অঙাংনা মহাক্কী মমান্নবা ওইগদৌরিবনো হায়বা অসি খঙননবগী মতম অমা পীখি। মসি কেমেরামেন অমদি দিরেক্টরগী হৈ-শিংবা অদুগী মথক্তা ফিল্ম অসিবু ইডিটিং তৌরিবা দিরেক্টর মশামক্লা য়াম্না চেকশিন্না হোৎনখি হায়বা তাই।

ফিল্ম অসিদা নুমিদাংগী মতম ওইরকপা অমদি নুংথিলগী মতমদগী নুপামচা অদুনা মমান্নবগী ময়ুম থিরকপদা তপ্না তপ্না নুমিৎ তারকপগী মওং লোয়ননা অমম্বদা কনাগী মতেং য়াওদনা মমান্নবগী ময়ুম থিবদা য়ুমদা য়োকপা হুইশিংনা খোঙদুনা মহাকপু তান্নরকপদা শিজিন্নরিবা সোট দিভাইজশিং অদু য়াম্না চেকশিল্লি হায়বা য়াই।

ফিল্ম অসিগী মপুং ওইবা ৱারি অসিগা ফিল্ম অদুগী কেমেরামেন ফরহাট সাবানা লৌরিবা সোটশিং অদুগা য়াম্না চুশিন্নহল্লি। ফিল্ম অসিদা ম্যুজিক পাইরিবা অমিনি অলহা হেসিনিগী ম্যুজিক অদু য়াম্না চেকশিনবগা লোয়ননা অঙাং অদুনা মহাক্কী মমান্নবগী য়ুম থিবা লাকপদা শিজিন্নরিবা ম্যুজিকশিং অদুনা ফিল্ম অসিবু হেন্না ইনোট হাপ্পি, ফিল্ম অসি মমাং চহীগী জুন থাদা পুনেদা পাঙথোকখিবা ফিল্ম এপ্রিসিয়েসন কোর্স অদুদ কাপ্তুনা উৎলবা মতুংদা কোর্স অদুদা শরুক য়ারিবা দেলিগেটশিংগা দিকসন তৌনখিবা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসি দিক্সন তৌবদা য়াম্না কান্নবা ফিল্ম অমা ওইবগা লোয়ননা মখোয়না মতৌ করম্না নেচর লাইটতা ফিল্ম নম্লিবনো হায়বা অসিসু কুপ্না নৈনখি। অয়াম্বা মতমদা হায় স্পিদ ফিল্ম শিজিন্নদ্রগসু নুমিদাংগী সোটশিং অদুদি হায় স্পিদ শিজিন্নবনা মরম ওইবনা য়াম্না নীংথিনা মমুৎ তানা উহনবা ঙম্লি হায়বা য়াই। ফিল্ম অসিগী মতাং অমদা অঙাং অদুদা শোয়বদগী মহাক্কী লাইরিকখাওদা মমান্নবগী নোটবুক য়াওরম্বা অদু মতৌ করম্না য়াওরল্লিবনো হায়বগী মতাংদসু দিক্সন অদুদা কুপ্না খন্নখি, মদুদি ৱারিগী মতুং ইন্না হাপখিবনি অদুবু সোটতদি নীংথিনা হাপ্তে হায়নসু দেলিগেটশিংনা ফোঙদোক্লখি।











EMPLOYMENT NEWS

L.G. MOTORS

| Name of Post | Qualification | Age | Branch | No. of Post |
|---|---|---|---|---|
| 1. Asst. Manager Banking | BCom/M Com (Com.Know.) | 24 to 35 yrs | H.Q. | 1 |
| 2. Asst. Manager | 10+2 Above (Computer Knowleds) | 24 to 30 yrs | Sekmai | 1 |
| 3. Asst. Manager | 10+2 Above (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Samurou | 2 |
| 4. Asst. Manager | 10+2 Above (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 5. Asst. Manager | 10+2 Above (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 6. Asst. Manager | 10+2 Above (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 7. Asst. Manager | 10+2 Above (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Pangei | 1 |
| 8. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Sekmai | 1 |
| 9. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 10. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 11. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 12. Security (Unmarrid) | 10/10+2 | 18 to 25 yrs | H.Q. | 2 |
| 13. Driver (Unmarrid) | VIII Pass | 20 to 28 yrs | H.Q. | 1 |
| 14. Mechanic (2Wheeler) | VIII Pass | 20 to 30 yrs | H.Q. | 2 |
| 15. Grade 4 | VIII Pass | 28 to 40 yrs | H.Q. | 1 |
| 16. Recovery Officer | 10/10+2 | 20 to 28 yrs | H.Q. | 2 |
| 17. Computer Operater | Well experence in DTP | 20 to 30 yrs | H.Q. | 1 |

N.B. : Post খুদিংমক ওফিসশিং অসিগা নক্লবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংনা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি।Post অসিবু পাম্বীবা মীওইশিংনা Bio-Data, Contact No., Qualification Certificate অমসুং Experience শিং লোয়নবীরক্কদবনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক হেদ ওফিস্তা লাকপীরগা খংবীবা য়াগনি।

*Office Hour : 9.00 a.m. to 4 p.m.*
*Sunday / Gen. Holiday Will be Closed*

*Sd/- Manager*
**L.G.. MOTORS**
Khagempalli Huidrom Leikai (H.Q)
Near Yumjao Lairembi Maning, Imphal West, Manipur

Branches at : Thoubal Near Okram Lamkhai, Bishnupur, Samurou Bazar Opp. PHC, Patsoi Opp. Patsoi Police Station, Lamlai Opp.Lamlai PS, Pangei Opp. 1st Gate M.P.T.C. and Sekmai Koujengleima, Kakching Opp. Kakching Fire Service




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*